# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 23-04-2025)

**খোঙজোম (এল)ঃ** ইং কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুরি লানজাউদা বৃটিশ লোইলম লান্মীশিংগা খোঙজোমদা শোকখিবা লানফমদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা ঙসি খোঙজোম নুমিৎ পালন পাঙথোক্লি। লানফম অদুদা মমা লৈবাক মরমদমবু কন্ননবা মনিপুরগী অথৌবা কয়ানা বৃটিশশিংগা লান্থেংনবদা থৱায়না পোন্থা পীখি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা থৌবাল জিলাগী খোঙজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। মফম অসিদা লৈবা খেবা চিংগী মথক্তা খিল্লিবা খোঙজোম মেমোরিএলদা অয়ুক্কী পুং ৯ তারকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা লুচিংদুনা মীয়ামগা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। মফম অদুদা মনিপুর রাইফলসকী কাংবুনা গার্দ ওফ ওনর অমসুং জেনরেল সেলুট পীবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। মদুদা তুংদা, খেবা চিংগী চিংখোংদা লৈরিবা পাউনা ব্রজাবাসিগী মীতমদা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা মীয়ামনা মখা তানা লৈ কৎকনি। মদুগী তুংদা, খোঙজোম তুরেলদা তর্পন কৎলবা মতুং সংস্কৃত্তন খুরুমগনি। মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা নীংশিং থৌরমদা রাজ্যপালনা ৱা ঙাংগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমার সিংহ্ য়াওনা সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াগনি। লোয়ননা সরকারগী কর্ম্মচারি পুমমকা পালন থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা মাংজোনননা খঙহনখিবসু লৈখি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ঙসি খোঙজোম নুমিৎ পালন পাঙথোক্কদৌরিবা খেবা চিংগী অকোইবদা মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা নীংথিনা লৈতেংদুনা শেম শারে।

অমরোমদা, এঙ্গলো মনিপুরি লানজাউ অদুদা ককচিংগী মনাও চীংদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা বৃটিশ লান্মীশিংগা শোকখিবা অকনবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ৱাংখৈ মৈরাবা য়াওনা মনিপুরগী অথৌবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম ঙসি ককচিংগী মনাও চীংদা লৈবা নীংশিং খুভমদা পাঙথোক্কনি।

জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার ১৮৯১ মারটিয়ারস এন্দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক মনিপুর, মেজর ৱাংখৈ মৈরাবা মেমোরিএল ত্রষ্ট অমসুং পিপলস ম্যুজিয়ম ককচিং অমদি লৈশাংথেম অমু মেমোরিএল ত্রষ্টনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা মীয়ামনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি।

খোঙজোম লান নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমদা যুম্ফম ওইবা অখন্নবা পাউগী শক্তম অমা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোক্কুনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ৪৫ দা শন্দোক্কনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্দবগী থবক চত্থদুনা খুৎশু খুৎলায় অমদি মীওই কয়া ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য পুলিসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল সুপর মার্কেটতগী কে.সি.পি. (নোংদ্রেমখোম্ব) গী মীওই অমা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নাপেৎ পল্লি থোঙখোংদগী প্রিপাক্কী মীওই অমসু ঙরাং পুলিসনা ফাখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হিয়াংথাং মখা লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এল. (সোরেপা) গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

**কম্মিসন (এল)ঃ** থবক্তগী পোথ্থরবা ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিস ওফিসার-এস.এস.ছব্রাবু মনিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চেয়ারমেন হাপখ্রে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহনা হীরম অসিগী মতাংদা চেরোল অমা থোকখ্রে। এস.এস. ছব্রানা ফম অসি চহি তরুক পুগনি।

**ভেক্সিনেসন (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ খুনৌ সোইবম লৈকাইদা লৈবা সিটিজন্স ক্লবনা শিনদুনা রেভিস লায়নাদগী ঙাকথোকবা তিকা থাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিস-ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা পাঙথোকখিবা তিকা থাবগী থৌরম অদুদা পুন্না হুই অমসুং হৌদোং ১৫০ রোম হিদাক কাপখি।

**অমিতঃ** জম্মু কাশ্মিরগী অনন্তনাগ জিলাগী পাহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা লম কোইবা লাকপশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা শিখিবা মীগী মশিং ২৬ শুখ্রে।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ ঙরাং নুমিদাংৱাইরম শ্রীনগরদা চৎতুনা ফিভম অদু য়েংশিনখ্রে। শ্রী সাহনা রাজ ভবনদা মকোক থোংবা ওফিসারশিংগা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱা খন্নখ্রে। অদুমওইনমক, মীফম অদুদা করি করি খন্নখিবগে হায়বগী চপ চাবা পাউ খঙবা ঙমদ্রি।

পাউ খরনা হায়-শ্রী সাহ ঙসি পাহলগাম মনাক্তা লৈবা টেরোরিষ্টশিংনা এট্টেক চথ্থরকখিবা বাইসরাংদা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনগনি। খোঙচৎ অদুদা উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিংহসু লোয়নগনি। থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবশিংগা অমিত সাহনা ৱারী শান্নগনি অমসুং হোস্পিতালদা চৎতুনা শোক্লবশিংগী ফিভম য়েংশিনগনি।

**পিএম ঃ** সৌদি অরাবিয়াগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং লৈবাক অদুগী

লল্লোন ইতিক্কী সহর জেদাদা থুংখিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ তেনশিনদুনা হৌখিবা অহিংদা ভারত পাংল্লকখ্রে।

জম্মু কাশ্মিরগী পাহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা এট্টেক চত্থরকখিবা অদুগী য়েংলগা প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ তেনশিনল্লকপনি। শ্রী মোদিনা ঙরাং জেদাদা থুংলবদা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংনা হরাউ তয়ামা ওকখি।

শ্রী মোদিগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হীরম মরিদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্ন-চে মরি সহি তৌনখি।

**ত্রম্পঃ** আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা পাহলগামগী টেরোরিষ্ট এট্টেক অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভারতকী মীয়ামনা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংশিংদা আমেরিকানা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা স্পিকর-সৈত্যবরতা দিল্লিদা চৎখিবা, জম্মু কাশ্মিরদা টেরোরিষ্টনা লান্দারকপদা লম কোইবা লাকপা মীওই ২৬ শিখিবা, কয়া অমনা শোকহনখিবগী পাউ অমদি মনিপুরদসু ৱার্ল্ড আর্থ ডে পাঙথোকখিবনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-রিমসকী বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ইন্সিনরেটর শীজিন্নরি, মহিশিংদি..হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংগী অনৌবা আশা পীবা স্কিম মেরিয়েজ ইন্সেটিব এৱার্ড মীয়ামা ইখঙ খঙনদ্রি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই ইংলিস এদিসনদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-সি.এম.ঐচ.টি, পি.এম.জে.ৱাইগী ফার্মাসিশিংদা তোনবা শেনফম পীদবগী ৱাথোক, জেনিমসকী ফার্মাসিশিংনা হিদাক পীবা লেপখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। ৱার্ল্ড আর্থ ডেগা মরী লৈননা সাইক্লোথোন পাঙথোকখ্রে, মালেমগী কায়থরক্লিবা অইং আশাগী খল মীওইবা খক্তনা ঙাক্কদবনি হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ৱার্ল্ড আর্থ ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস য়াওনা অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী তেরর এট্রেক্তা মপান লৈবাক্কী লম কোইবশিং য়াওনা মীওই ২৬ শিরে, কয়া অমা শোকখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মোরনিং বেল, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং পোকফমদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

সেন্টরগী লুচিংবশিংনা কৌরকপদগী সৈত্যবরতা দিল্লিদা পায়শিনখ্রে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মোরনিং বেল, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, গানফিয়ু মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সরপ্রাইস ভিজিট তৌদুনা রিমস হোস্পিতালগী ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট চৎনা-কাঙলোন ঙাক্লিব্রা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু ঈচলে এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

মনিপুর মেলদা-ঙসি খোঙজে নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্লি হায়বা পাড অহানবা হেদলাইন তৌরি। গভনরনা এন.সি.সি. কেদেদশিং তরামা ওকখিবা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাদসু অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ৱার্ল্ড আর্থ ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। য়ু.পি.এস.সিগী পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপদা নুপীনা মকোক ওইরে হায়বা

পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতিদা পি.এম. বিশ্ব কর্মাগী ওরিয়েন্টেসন অমদি গ্রাম প্রধানগী ওন বোর্দিংগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।